# UNIVERSITY GRANTS COMMISSION
## NET BUREAU

**Code No. : 35**

## Subject : MANIPURI

SYLLABUS AND SAMPLE QUESTIONS

**Note :**

There will be two question papers. Paper–II will cover 50 Multiple Choice Questions (Multiple choice, Matching type, True/False, Assertion-Reasoning type) carrying 100 marks and Paper–III will have two Parts—A and B. Part–A will have 10 short essay type questions (300 words) carrying 16 marks each. There will be one question from each unit with internal choice from the same unit. Total marks will be 160. Part–B will be compulsory and questions will be set from Unit-I to Unit-X. The candidate will attempt one question from Part-B (800 words) carrying 40 marks. Total marks of Paper–III will be 200.

**PAPER–II and PAPER–III (Part–A & B)**

**য়ুনিট—I**

অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী মতম, মতম অসিদা ইরম্বা সাহিত্যগী হীরম, লোন্দা-পুদা, ষ্টাইল-ইবগী মওং, অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী তোপ-তোপ্পা শক্তম, অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী শৈরেং, ৱারেংনচিংবগী লাইরিকশিং।

**য়ুনিট—II**

ময়ায় চনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্য হৌরকপগী মতম, মতম অসিগী সাহিত্যগী তোপ-তোপ্পা শক্তম অমসুং অরিবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যগা খেন্নবা, ময়ায় চনবা মতমগী মণিপুরী সাহিত্যদা চঙলকপা ঈথিলশিং, মতম অসিগী সাহিত্যগী তোঙানবা শক্তম, মতম অসিদা লৈরম্বা মণিপুরী লাইরিক ইবশিং, মতম অসিগী ৱারেং, শৈরেং অমসুং অতৈ মখলগী মইশিং।

**য়ুনিট—III**

হৌজিক মতমগী মণিপুরী সাহিত্য হৌরকপগী মতম অমসুং মসিগী তোপ-তোপ্পা শক্তম, হৌজিক্কী মণিপুরী সাহিত্যগী মতমদা চঙলকপা ঈথিলশিং, পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাওগী মমাঙদা লৈরম্বা মণিপুরী শৈরেং, ড্রামা, উপন্যাস, ৱারেং, ৱারীমচা অমসুং মতম নাইনা ফোঙবা চেফোঙশিং, লান মতুংগী মণিপুরী সাহিত্যগী ৱারীমচা, শৈরেং, উপন্যাস, ৱারেং, ড্রামা অমসুং মতম নাইনা ফোঙবা চেফোঙশিং।

**য়ুনিট—IV**

মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস শাগৎপদা চঙবা মচাকশিং অমসুং থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং, তোঙান-তোঙানবা মতমদা লৈরম্বা মণিপুরী সাহিত্যগী শক্তম অমসুং সামাজিক ফিভম, মণিপুরগী সনা কোনুংদা লৈরম্বা লোইশঙশিংগী মণিপুরী সাহিত্যদা থৌদাং।

মণিপুরী কলচর হায়রগা করিবু খঙনবগে, কলচর অসি ওইরকপদা পীখিবা ঈথিলশিং নোংপোক অমসুং নোংচুপকী, হিন্দু ধর্ম্ম চঙলকত্রিঙৈগী মমাঙ অমসুং মতুংগী মণিপুরী কলচর, মণিপুরগী মশাগী ওইবা হরাও-কুম্মৈ, শান্ন-খোৎনবা, সনা কোনুংনা মণিপুরী কলচরদা লৌরক্লিবা থৌদাং।

**য়ুনিট—V**

মণিপুরদা ফোক-লিত্রেচর নৈনরকপগী ইতিহাস, ফোক-লিত্রেচরদা য়াওরিবা মচাকশিং, ফোক-লিত্রেচর নৈনবনা পীরিবা কান্নবা, মণিপুরী ফোক-লিত্রেচরগী মখল, মণিপুরী ফোক-লিত্রেচর ঙাক্তুনা থম্বা অমসুং মীয়ামদা পান্নহনবদা থৌদাং লৌরিবশিং।

**য়ুনিট—VI**

য়ুরোপিয়ানগী মীৎয়েংদা লিটরেরী ক্রিটিসিজম, প্লেটো, এরিষ্টোটল, হোরাস, লোনজাইনস, ড্রাইদেন, পি. বি. শেলী, ৱার্দসৱার্থ, এস. টি. কোলরিজ, মেথিয়ু অরনোলদ, ৱাল্টর পেতর, টি. এস. এলিয়ট, আই. এ. রিচার্দস, মার্ক্সিস্ট ক্রিটিসিজম।

**য়ুনিট—VII**

ভারতকী কাব্য শাস্ত্রগী সম্প্রদায়শিং অমসুং মখোয়গী মীৎয়েং, অলঙ্কার, রস, ধ্বনি, রীতি ; সম্প্রদায়শিং অসিগী মীৎয়েং অমসুং সম্প্রদায়শিং অসিবু হৌদোক্লম্বা, নৈনরম্বা মীওইশিং।

**য়ুনিট—VIII**

লোন নৈনবা অমসুং তোঙান-তোঙানবা থিওরীশিং, মণিপুরী ভাউঅল, কোন্সোনন্ট, সিলেবল, তোন, ফোনিম, মোর্ফিম, এলোমোর্ফ, ফ্রেজ অমসুং ইদিয়ম, ক্লোজ, ৱাহৈপরেং, পার্টস ওব স্পীচ, রুট, এফিক্স, সন্ধি, সমাস, দিরাইভেসন, মণিপুরী লোন য়াওবা কাঙলুপ, মণিপুরী লোন্না মতম কয়াদগী লমসিগী লৈঙাক, সংস্কৃতি, সামাজিক পুন্সিদা লৌরিবা থৌদাং, লোম্থৈ।

**য়ুনিট—IX**

মণিপুরীদা য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা লোনশিংদগী হন্দোরক্লিবা লাইরিকশিং অমসুং হন্দোকলিবশিং অসিগী মগুণ, হন্দোক্লিবা লাইরিকশিং অসিনা মণিপুরী সাহিত্যদা পীরিবা ঈথিল, য়ুরোপকী লোনশিংদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা লাইরিকশিং অমসুং হন্দোক্লিবা মীশকশিং।

**য়ুনিট—X**

মণিপুরী লোন্দা ভারতকী লোনশিংদগী হন্দোক্লকপগী ইতিহাস, ১৮ অমসুং ১৯শুবা চহী চাদা ভারতকী লোনশিংদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লকপা লাইরিকশিং অমসুং হন্দোক্লিবদুগী তোঙানবা শক্তম, কুনশুবা চহীচাদা মণিপুরীদা ভারতকী লোন অতৈদগী হন্দোক্লক্লিবা লাইরিক মখল, হন্দোক্লিবগী মওং-মতৌ, ভারতকী লোন অতৈদগী হন্দোরক্লিবা লাইরিক মখল, হন্দোকলিবগী মওং-মতৌ, ভারতকী লোন অতৈদগী মণিপুরীদা হন্দোক্লক্লিবা অসিনা মণিপুরী সাহিত্যদা পীরিবা কান্নবা।

SAMPLE QUESTIONS

## PAPER–II

1. 'য়োয়ময়াই নুমিৎ সনা খোম্মদোন' অসি পোকমিন্নবা মচীন মনাউ মঙাগী মনুংদা

   (A) অনীশুবা

   (B) অহুমশুবা

   (C) মরিশুবা

   (D) মঙাশুবা নি।

2. মখাদা পীরিবা সেদ্যুল I অমসুং সেদ্যুল II অনী অসিগী অচুম্বা মেটচিং কোডতি

| সেদ্যুল—I | সেদ্যুল—II |
|---|---|
| **লাইরিক্কী মমিং** | **মণিপুরীদা হন্দোকপগী মমিং** |
| a. কিং ইডিপস | 1. আই. আর. বাবু |
| b. জুলিয়স সিজর | 2. খাইদেম নবকুমার |
| c. দ ওল্ড মেন এন্দ দ সি | 3. বি. এম. রাজকুমার |
| d. এরিষ্টোটল পোইটিক্স | 4. আর. কে. মনি |

**কোড :**

| | a | b | c | d |
|---|---|---|---|---|
| (A) | 1 | 3 | 2 | 4 |
| (B) | 2 | 1 | 4 | 3 |
| (C) | 2 | 3 | 4 | 1 |
| (D) | 4 | 1 | 2 | 3 নি। |

3. 'গোদান' মণিপুরীদা হন্দোকপসি

   (A) আই. এস. কাংজম

   (B) এলাংবম দীনমনি

   (C) লনচেনবা মীতৈ

   (D) সিঐচ. নিশান নি।

## PAPER–III (A)

1. অঙনবা মতমগী মণিপুরী শৈরেংগী হীরম, লোল অমসুং মফোঙদোক্কী মরমদা ৱারেং অমা ইয়ু।

**নত্রগা**

18 অমসুং 19 শুবা চহী চাগী মণিপুরী সাহিত্যগী তোপ তোপ্পা মশকশিং অমুগী মরমদা খুদম পীদুনা নৈনৌ।

2. মণিপুরী উপন্যাসকী খোঙহৌগী মরমদা ৱারেং অমা ইয়ু।

**নত্রগা**

লাই-হরাওবা করন্না হৌরকপগে? মসিনা মণিপুরী সংস্কৃতিদা কল্লিবা মফমগী মরমদা ৱারেং অমা ইয়ু।

## PAPER–III (B)

11. খোঙ কাংজেগী মশান্ন অমসুং মসিগী কান্নবশিংগী মরমদা ৱারেং অমা ইয়ু।

**নত্রগা**

অনীশুবা লাঞ্জাও মমাংগী মণিপুরী শৈরেংগী মরমদা ৱারেং অমা ইয়ু।

★ ★ ★